# মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক মায়পাকখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদ মায়থীখ্রে, ইংলেন্দগী লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটি মায়পাকখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাংগী সিজনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক কুমজা ২০২০-২০২১ সিজনগী গ্রুপ মেচকী অহানবা মেচ মায়পাকখ্রে। স্পেনগী লালীগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রিয়াল মাদ্রিদ মায়থীখ্রে, ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন লিভরপুল অমসুং অতোপ্পা ক্লবা মেঞ্চেষ্টর সিটি মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা বর্লিনগী অলিয়াঞ্জ এরেনাদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কিংস্লে কোমাননা শান্নবগী ২৮ অমসুং ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল অনী অদুনা লিওন গোরেটজা অমসুং কোরেন্টিন টোলিসোনা মেচকী ৪১ অমসুং ৬৬ শুবা মিনটতা চনখি। গ্রপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী রেদ বুল সালজবর্গ অমসুং রসিয়াগী লোকোমোটিব মোস্কো পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ 'বি'গী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা স্পেনগী লালীগা চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং য়ুক্রেনগী শাখটর দোনেটস শান্নখিবা অদুগী অহানবা হাফতা শাখটর দোনেটসনা পাঞ্জল ৩ চনশিন্দুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লগা ২-৩দা মায়থীখি। মেচ অদুগী অরোইবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী ফেদেরিকোনা ইক্কেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শাখটর দোনেটসকী মায়কৈদগী টেটে, রাফেল ভরানে অমসুং মনোর সোলোমোননা পাঞ্জল অমমম চন্নখি। অদুগা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগীনা লুকা মোদ্রিক অমসুং ভিনিসিয়স জুনিয়রনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

গ্রুপ 'দি'গী মেচ অমদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা লিভরপুলনা নেদরলেন্দসকী এজেক্স টিমগা লম্বা তৌনরকপদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদ্রবসু এজেক্স টিমগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা দিফেন্দর নিকোলাস টাগ্লিয়াফিকোনা শোয়বদগী থকচিনখিবা বোল অদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখিদুনা লিভরপুল মায়পাকখি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইটালিগী ক্লব অটলান্টানা দেনমার্কী ক্লব এফ সি মিটুলেন্দবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

গ্রুপ 'সি'দা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব মেঞ্চষ্টের সিটিনা পোর্টুগালগী ক্লব এফ সি পোর্টোবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু পোর্টোগী লুই দিয়াজনা চনবা ঙমখ্রবসু মখাতারকপা পাঞ্জল ৩ সিটিগী মায়কৈদগী সর্জিও এগুইরো, ইলকে গুয়নদোগান অমসুং ফেরান টোরেজনা চনবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মায়পাকখিবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা গ্রিসকী ক্লব ওলিম্পিয়াকোসনা ফ্রান্সকী ক্লব মার্সিয়লবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৯০শুবা মিনটতা ওলিম্পিয়াকোসকী হসন কোকানা চনখি। গ্রুপ 'বি'দা ইন্টর অমসুং রোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাগ পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

# সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি দুবাই সিটিদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪০শুবা লীগ মেচ অদুদা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রাজস্থান রোয়েলসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটচমেনশিংনা য়াম্না অচৌবা স্কোর তৌবা ঙমখিদে। ওপনর রোবিন উথাপা অমসুং বেন ষ্টোক্সনা রন ৩০ লৌরমখি। উথাপা মশাগী রন ১৯দা আউট ওইখি। মহাকপু মহুৎ শিল্লকখিবা সঞ্জু সেমসন অমসুং ষ্টোক্সনা মখা তাবা রন ৫৬ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ৮৬ য়ৌহল্লকখি। সেমসন বোল ২৬তা রন ৩৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থংনবা ওভর অদুদা বেন ষ্টোক্সসু বোল ৩২দা রন ৩০ লৌরম্লগা আউট তাখি। মখা তাবা বেটচমেনশিংনা অপূনবা স্কোর অদু ১৫৪ ফাওবা পুরকখি।

মায় পাক্লবা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ১৫৫ লৌবগী টার্গেট অদু লৌনবা হোৎনরকপদা শুপ্নগী রন ১৬তা ঙাইরিঙৈদা ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং জোনি বার্ষ্টো মথংশিৎনা রন ৪ অমসুং ১০দা আউট ওইখি।

মনিশ পান্দে অমসুং বিজয় শঙ্করনা য়াম্না ফজবা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১৬তগী হৌরগা মায় পাকপগী রন ১৫৬ লৌবা ফাওবা আউট ওইদনা শান্নবা ঙমখি। মনিশ পান্দেনা শুপ্নগী বোল ৪৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৮৩ লৌদুনা লৈখি। অমরোমদা, বিজয় শঙ্করসু আউট ওইদনা বোল ৫১দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫২ লৌবা ঙমখি। সনরাইজর্স হায়দরবাদনা মেচ অদু ১৯শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৫৬ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৮দা মখোয়না থোইখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৪১শুবা মেচতা চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং মুম্বাই ইন্দিয়ন্স লম্বা তৌনগনি।

# ওক্টোবর ২৮দগী টেবল টেনিসকী নেসনল কেম্প হৌরগনি

চেন্নাই, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মাংজৌননা পাঙথোক্কদবা নেসনল কেম্প অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থেংখাং কয়ারক য়ৈথোক্তুনা লাক্লবা মতুং হরিয়ানাগী সোনিপট সিটিদা থা অসিগী ২৮দগী হৌরগনি হায়না ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা সোনিপটতা লৈবা দি পি এস স্কুলদা ওক্টোবর ২৮দগী নেসনল টেবল টেনিস কেম্প অদু হৌবগী অয়াবা পীখিবনি। ঙরাং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুদা নেসনল টেবল টেনিস কেম্প অদু হৌগদবা নুমীৎ ওক্টোবর ২৮দা শান্নরোয় খূদিংমক চপ মান্নবা মওংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

টেবল টেনিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি এম পি সিংহনা ঙরাং অথেংবদা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা কেম্প অসিনা টোকিও ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াননবগী চাওনা কান্নবা অমা পীরগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গনসেখরন শাথিয়ান অমসুং অতোপ্পা নহা ওইরিবা শান্নরোয় হর্মিট দেসাইনা হৌজিক-হৌজিক পোলেন্দ অমসুং ফ্রান্সতা লৈবাকশিং অদুগী টেবল টেনিস লীগ টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবা অদু লোইরগা কেম্প অসিদা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

ফেদরেসন অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা লেপ্নখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না নেসনল কেম্প অদু নুমীৎ ৩৫নিগী ওইগদৌরি। হায়রিবা মতম অসি শান্নরোয়শিং অদুনা অয়াবা লৈরবদি মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়রি। কেম্প অদুদা নুপা শান্নরোয় ৫ অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫ শরুক য়াগদৌরি। মদুদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শরত কমালসু য়াওগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক অচুম্বা মওংদা শেম শাগৎলক্লি : দিফেন্দর কোথাজিৎ

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম শাংনা শান্নবা অমদি ট্রেনিং চথুবা য়াদবা লৈরম্বা অদু হন্দক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোমথোকপা খরা লৈবদগী বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) সেন্টরদা নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিম অনীমক্কী নেসনল কেম্প পাঙথোকপা হৌরকপা অসিদা নুপাগী ওইনা য়াম্না অচুম্বা মওংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাগৎলক্লি হায়না টিম অসিগী সিনিয়র দিফেন্দর অমা ওইরিবা মণিপুর মচা খাদাংবম কোথাজিৎনা ফোঙদোরকখ্রে।



ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল মেচ ২০০ হেন্না শরুকয়াবা ঙল্লবা টিম অসিগী সিনিয়র দিফেন্দর অমা ওইনা শান্নরিবা কোথাজিৎনা মখা তানা হায়খিবদা, হোকি ফিল্ডদা নৌহৌননা মতম শাংনা লোকদাউন লৈরুরবা মতুং ট্রেনিং ফংবা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওই হায়খি। মহাক মশামক হৌখিবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতা শরুকয়াবা ঙমখিদ্রবসু ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা হোকি প্রো লীগতদি ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয় অমনা মেচ ফংদনা বেঞ্চতা ফমদুনা লৈবা হায়বসি খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা তাঙ্কক অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী নেসনল টিমগী ওইনা মেচ অমা শান্নবদা অহানবা শান্নরোয় ১১গী মনুংদা লেংদনা মমিং লাউথোকপা য়াওনবগীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

টোকিও ওলম্পিক গেমসকী-দমক্তা শেম শারিবা ট্রেনিং কেম্প অসিনা টিম অদুবু হান্না লৈখিবা পাঙ্গল অদু য়ৌনবা হোৎনবদা মপূং ফাবা মতম ফংবা মরম্না চিংননিংঙাই লৈতে হায়খি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নবগী দিসিপ্লিন খরা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোক্লবসু হোকি মশান্নগী ওইনদি পাঙথোকপা লৈত্রি। ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী করম্বা মতমদা মশান্না অসিগী তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লক্কদগে হায়বদুসু খঙবা ঙমদ্রি।

অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শারিবা অসি য়াম্না মতম চাবা অমা ওইরি। লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা টিম অসিগী শান্নরোয় খূদিংমক্কী য়াম্না মরুওইবা তানফম অমা ওইহল্লি হায়না মশাগী চহী ২৮শুরবা কোথাজিৎনা ফোঙদোকখি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা পাঙথোক্লরোই

কোলা লাম্পুর, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ন্যু জিলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২০ কোভিদ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ওক্টোবর থাদা য়ৈথোকখিবা অদু মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা অমুক পাঙথোক্লবা শিনখিবা অদু হৌজিক লৈরক্লিবা ফীভম অসিদা পাঙথোকপা য়াররোই হায়না ৱর্ল্ড বেদমিন্টন ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফেদসরেসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল থোমাস লুননা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা লোয়ননা ক্বারন্টিনগী খেন্নবা কাঙলোনশিং লৈবা মরম্না ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসি মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈররোই হায়খিবনি।

বেদমিন্টন ন্যু জিলেন্দ, বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন অমদি ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ওর্গনাইজরশিংগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অথিংবশিং অসি য়েংলুরগা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ কেন্সেল তৌবা নৎতনা অতোপ্পা লম্বেল অমত্তা লৈতে হায়খিবনি।

কুমজা ২০২১গী ওইনদি অতোপ্পা লৈবাক অমনা মাংজৌননা য়ূম্বু ওইবগী সেদ্যুল লৈখিবা মরম্না ন্যু জিলেন্দনা চহী অসিদা পাঙথোকখিদ্রবা অদু ২০২৪দা য়ূম্বু ওইবগী ৱাফম অয়াবা পীখি।

# 'আই সী সীনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা শোকহল্লবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সশিপকী পোইন্ট য়েন্নবা খন্নরি'

দুবাই, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা মমাংগী সিজনদগী চথুবা হৌরকপা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী সাইকল অদু মথং চহীগী জুন থাদা হান্না লেপখিবা মতম অদুগা মান্ননা লোইশিন্নবা হোৎনরকপদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা শান্নবা য়াখিদ্রবা টেষ্ট মেচশিং অদুগী লৈবাকশিংগী মরক্তা পোইন্ট য়েন্নবা থবক শিল্লি হায়না এজেন্সী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি থা অসিগী লোইশিল্লকপদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী কম্মিটিগী ওইবা মীফমদা শুংশোয় শোয়দনা খন্নগদৌরি হায়রি। রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা পোইন্ট য়েন্নবগী ৱাফম অসিগা লোয়ননা অতোপ্পা ওইবা য়াবা খোঙথাং অমদা শান্নখিবা মেচ অদুখক্তমক্কী ওইবা রেকোর্দ লৌখৎলগা শান্নখিদবা মেচশিং অদুগী পোইন্ট লৌদবগী ৱাফমসু য়াওরি।

কুমজা ২০২১গী মার্চ থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা টেষ্ট মেচ শান্নখিবশিং অদুগী রেকোর্দ লৌখৎলগা মকোক-মথং তাবগী পরিং অদু শেম্বা য়াবগী তাঞ্জা অমসু লাক্লি। আই সী সীগী ওইবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী পোইন্ট পীবগী কাঙলোনদা লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নবা টেষ্ট সেরিজ অমদা পূন্না পোইন্ট ১২০ লৈগনি। হায়রিবা পোইন্টশিং অসি টেষ্ট মেচ মশীং কয়া শান্নবগে হায়বদু য়েংলগা ওইগদৌরিবনি।

টেষ্ট মেচ অনীগী সেরিজ মায় পাকপা টিম অদুনা পোইন্ট ৬০ ফংগনি। অদুগা দ্রো চৎপা মতমদা পোইন্ট ৩০/৩০ য়েন্নগদৌরি। টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজদনা মায় পাকপা টিম অদুনা পোইন্ট ৪০ ফংলগা দ্রো চৎপা মতমদা পোইন্ট ২০/২০ য়েন্নগনি। অদুগা মেচ ৪গী ওইবা সেরিজদা পোইন্ট ৩০ মায় পাকপগী ওইরগা পোইন্ট ১৫/১৫ য়েন্নগনি। লোয়ননা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরজিদনা মায় পাকপা টিম অদুনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা সেরিজ অদু দ্রো চৎপা মতমদা পোইন্ট ১২/১২ য়েন্নগদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংদা টেষ্ট মেচ সেরিজ কয়া অমা য়ৈথোক্তুনা লাকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়রিবা টেষ্ট মেচশিং অসি অনৌবা মতম অমা পীরগা শান্নগদ্রা হায়বগী ৱাফম লৈখায় তাবা ঙমদ্রি। অদুবু ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ লীগকী সাইকল অদু মথং চহীগী মার্চ লোইশিল্লকপদা অরোইবা ওইগদৌরিবনি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না করিগুম্বা পোইন্ট য়েন্নবগী ৱাফম লাকপা মতমদা য়ৈথোকখিবা মেচশিং শান্নগদবা টিম অনীমক দ্রো চৎপগী মওংদা পোইন্ট য়েন্নগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়ানা পূন্না পোইন্ট ৩৬০ ফংলগা নম্বর ৱানদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ২৯৬ ফংলগা অনীশুবদা, ইংলেন্দনা ২৯২ ফংলগা অহুমশুবদা, অদুগা ন্যু জিলেন্দনা ১৮০ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং ক্বারন্টিন মতমদা ট্রেনিং য়াহনগদৌরি

সিদনি, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস লৈঙাক্লা লৈবাক অদুদা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা মফম অদু য়ৌরকপা মতমদা ক্বারন্টিন তৌরিঙৈ মনুং ট্রেনিং তৌবা য়াহনবগী ৱারেপ লৌখ্রে।

ন্যু সাউথ ৱেলসনা অয়াবা অসি পীরকপদগী ওষ্ট্রেলিয়া টুর অদুগা মরী লৈননা সিদনি অমসুং কেনবেরা সিটিনা মেচশিং অদুগী য়ূম্বু ওইবগী শেম শাবা হৌখ্রে। ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু সাউথ ৱেলস লৈঙাক্লা হৌজিক-হৌজিক য়ু এ ঈদা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংনা সিদনিদা হল্লক্লবা মতুং ক্বারন্টিন তৌবগী নুমীৎ খরনি অদুগী মনুংদা ট্রেনিং তৌবা য়াহল্লকপনি।

মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়া টুরগীদমক্তা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ব্রিজবেন্দ সিটিদা হান্না থুংনবগী প্লান তৌরম্বনি। অদুবু মফম অদুগী ষ্টেট হেল্থ ওথোরিটিনা নুমীৎ ১৪নিগী ওইবা ক্বারন্টিনগী মতম অদু কোমথোক্তবা মরম্না ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মফম অদু য়ৌবগা ট্রেনিং ফংলোইদবগী ফীভম অমা লাকখি।

ব্রিজবেন্দগী ক্বারন্টিনগী কাঙলোনশিং অদুগা খেন্নবা মওংদা ন্যু সাউথ ৱেলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা ক্বারন্টিন তৌবগী মতম মনুংদা ট্রেনিং চথুবা য়াহল্লকপনি। মসিনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম চৎপগী চমম্নবা অমা লৈরম্বা অদু ৱারোইশিন পুরকখি।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদা টুর অদুগী মনুং চন্না টি-২০ মেচ অহুম, ৱান দে মেচ অহুম অমদি টেষ্ট মেচ মরি শান্নগনি। অহানবা ৱান দে মেচ অনী নবেম্বর ২৭ অমসুং ২৯দা সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। অদুগা মশান্না অদুগী ফাইনেল মেচ অদুনা কেনবেরাগী মানুকা ওভেলদা শান্নগনি।

অমরোমদা, টি-২০ মেচ ৩গী মনুংদা অহানবা মেচ অদু কেনবেরাদা শান্নরগা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মেচ অদুনা সিদনি সিটিদা শান্নগদৌরি। টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা অনৌবা মওংদা এদলেদ সিটিদা দিসেম্বর ১৭তগী ২১ ফাওবা মমাংদা অঙাংবা মচুগী বোল শীজিন্নরম্বা অদু পিঙ্ক মচু শীজিন্নদুনা অহানবা ওইনা লৈবাক অনীনা লম্বা তৌনগদৌরি।

# প্রেক্টিস তৌবগী চাং হন্থরবসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়না বজ্রং পুনিয়ানা ফোঙদোকখ্রে

সোনিপট, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা রেষ্টলর অমা ওইরিবা বজ্রং পুনিয়ানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা প্রেক্টিস তৌবা অমদি কম্পিটিসনদা শরুক য়াবগী চাং য়াম্না হন্থখ্রবসু ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোরকপদা শরুক য়াননবা চপ চানা শেম শাদুনা লৈরি হায়খ্রে।



পনবা য়াবদি, রেষ্টলিং মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখিদ্রবনি। অদুবু সিনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদি সর্ভিয়াগী সিটি বেলগ্রেদতা চহী অসিগী দিসেম্বর ১২দগী ২০ ফাওবা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি হায়না থাজবা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং হরিয়ানাগী সিটি সোনিপটতা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ট্রেনিং চথুরি। বজ্রংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোকদাউন লৈরুরবা মতুং ট্রেনিং চথুবা য়ারকপা মরম্না রেষ্টলরশিংগী মরক্তা নুংঙাইবা ফাওই। রেষ্টলর অমনা মশা মথন্তা ট্রেনিং তৌজবগা কেম্পতা লাক্তুনা কোচ অমগী মখাদা ট্রেনিং চথুবগা য়াম্না খেন্নে। ট্রেনিং মফমদদি কোচকী মতুংইন্না ৱেথ মান্নবা রেষ্টলরশিং লম্বা তৌনহনবা য়াবগী তাঞ্জা ফংলি। সোনিপটকী নেসনল রেষ্টলিংগী ওইবা ট্রেনিং অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১দগী হৌখিবনি।

রেষ্টলর অমনা ফনা য়াম্না ট্রেনিং তৌরবসু কম্পিটিসন নৎত্রগা ৱেথ মান্নবা মশেল লম্বা তৌনদ্রবদি মশাগী পাঙ্গল অমদি অশোনবা মফমশিং অদু খঙদোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংদে। মরম অদুনা রেষ্টলর অমনা অচৌবা কম্পিটিসনশিংগীদমক্তা শেম শারকপা মতমদা লম্বা অমা তঙাইফদনা চঙই। চহী অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনল ইভেন্ট অমা ওইনা নুপাগী ফ্রীষ্টাইল রেষ্টলিং কম্পিটিসন অনী পাঙথোক্কদৌরি। মখোয়শিং অদুদি নবেম্বর ৪দগী ৮ ফাওবা পোলেন্দদা অদুগা রসিয়াদনা নবেম্বর ৭ অমসুং ৮দা পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা হায়রিবা টুর্নামেন্টশিং অদুদা য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্ত্রি। মদুগী মহুৎতা ট্রেনিং চথুদুনা পাঙ্গল কনখৎহনবগী খোঙথাংনা হেন্না মরু ওইনা খন্নরি।

# জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং কানাদাগী ওগর অলিয়াসিম কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

কোলোন, ওক্টোবর ২২(এজেন্সী):
জর্মনিগী সিটি কোলোনদা লৈবা লানজেস এরেনাদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা হৌরিবা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং কানাদাগী শান্নরোয় ওগর অলিয়াসিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।





অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৬-০, ৩-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু সর্ভিয়াগী কেমানোবিচপু ৬-৩, ৬-৩দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী এ মনারিনোনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবা কানাদাগী ওগর অলিয়াসিমনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা বেলারসকী ঈ জেরাসিমোবপু অকনবা লম্বা অমদা ৪-৬, ৭-৬(৭-২), ৭-৫ (৭-৪)দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা অতোপ্পা কানাদাগী শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোব ফ্রান্সকী শান্নরোয় গাইলস সাইমনগী মখূৎতা ১-৬, ৬-৪, ২-৬তা মায়থীদুনা সাইমননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটলিগী শান্নরোয় জে সিনরগা লম্বা তৌনরগনি। স্পেনগী শান্নরোয় দাবিদোবিচ ফোকিনানা য়ু এসকী এস জোন্সনবু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৩দা থোইদুনা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com